হুয়েনলানপাও
HUEIYEN LANPAO

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুরাই থাংজম লৈকায়দা গোদ স্পিদ ফিজিওথেরাপি এন্দ রিহেবিলিটেসন সেন্টর ৱিথ মেদিকেল এন্দ সর্জিকেল ষ্টোল স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা হাংদোকখিবা




১১শুবা মনিফা ২০২৩গী এৱার্দকীদমক লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফিল্ম থাজিনবীরকপা য়াগনি হায়না লম্ফেলগী সুপর মার্কেটতা লৈবা ফিল্ম ফোরমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাই নিলচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবা



ৱার্কিং কম্মিটি খ্বাইরক্পম্দ ইমা কৈথেলনা শীন্দুনা আরিয়ন ঠিএটরদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমদা শরুক য়াখিবী ইমা অমনা মালেমদা মমিং লৈরবা নুপী খক্তগী ইমা কৈথেল মমি শামথরক্লে হায়না পাউদমখিবা



জিরিবাম ব্লোক দিবোং জি পিগী মনুং চন্না লৈবা নিংথেম খুঞ্জাওগী কম্যুনিটি হোলদা লৈমা লূপ ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন্না শীন্দুনা লৈমা লূপ ভি এল এফকী অনীশুবা জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকখিবদা ৱাঙাংলোয় অমনা ৱা ঙাংখিবা




### ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা বিরমঙ্গোল কোলেজ শওন্মুংগী মল্টিপর্পজ হোলদা সোপ স্কিলস দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং আই ক্যু এ সী অনীনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা নুমীৎ নীনিগী ওইবা সোপ স্কিলস ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এন সোভারানি, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মুতুম লনধোনি, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. য়াইফবী অকোইজম, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর টি ঐচ লিন্থোইঙম্বী, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এস জোগিতা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এস সঙ্গিলানা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা বিরমঙ্গোল কোলেজ শওন্মুংগী প্রিন্সিপাল ডা. এ সুরেঞ্জিৎসু শরুক য়াখি।

### সর্জিকেল ষ্টোল হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুরাই থাংজম লৈকায়দা গোদ স্পিদ ফিজিওথেরাপি এন্দ রিহেবিলিটেসন সেন্টর ৱিদ মেদিকেল এন্দ সর্জিকেল ষ্টোর মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা হাংদোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা ফোঙদোকখিবদা, নৌনা হাংদোক্লিবা সেন্টর অসিনা ফিজিওথেরাপিগা মরী লৈনবা অনাবশিং য়েংবদা হেন্না খুদোংচারগনি হায়খি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা সেন্টর অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর প্রভিন মৈস্নামনসু নৌনা হাংদোক্লিবা সেন্টর অসিদা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৫ ফাওবা লেম্না ফিজিওথেরাপিগা মরী লৈনবা অনাবা মখল খূদিংমক লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি। সেন্টর অসিদা অতাবা মমলদা অনৌবা অমদি অফবা মখলগী সর্জিকেল ইক্বিপমেন্টসু য়োল্লি। অরাপ্পা মফমদগী লাকপা অনাবশিংগী খুদোংচানবগীদমক মখোয়গী লৈফম চাফমনচিংবসু সেন্টর অসিদা থম্লি হায়খি।

### স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
শিজ একাদেমী ওফ হেল্থ সাইন্স (এস এ ঐচ এস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিননা শীন্দুনা লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা হেল্থ এৱ্যেরনেস কম এন সী দি স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী দেপ্যুটি মেনেজর তখেল্লম্বম প্রেমকুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

### হুরানখিবা পোৎ ফংলে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
কংলা মনুংদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিংগী খুভমগী থোঙ ফক্কায়রগা হুরানখিবা পোৎলমশিং খরা ফংলে। পোৎলমশিং মাঙখিবদু লাই পান্নবনা চঙলুবদা খঙলকখিবনি।

## মীরৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটি লিংখৎহনবসিনা লায়রবা অমসুং শোথরবশিং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তম্বা ঙমহল্লরোই : সী পি আই

ইম্ফাল,জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এনএস) :
হন্দক বি জে পিগী য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অসিগী খুজিল থৌরাংগী মখাদা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী)না মীরৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটি কয়া ইন্দিয়াদা লিংখৎপগী অয়াবা পীরকপা অসিদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)গী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবদা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানসু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী পাউতাক মখাদা য়ু জি সীনা চত্থরক্লিবা থৌওং অসিদা অকনবা মওংদা ওপোজ তৌরি। মসিগী মরমদি মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট ওইবদা নত্তনা রিছোর্স মরাং কায়না লৈজ দবা শেল-থুমগী অৱাবা ষ্টেটকুম্বদদি হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লগনি হায়না এম এস সী, সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু জি সীগী ৱারেপ অসিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খূদিংমক্কী রাইটশিং মৎতুনা মীরৈবাক্কী শেঞ্জাও পায়বশিংদা খুদোংচাবা পীখ্রগনি। মরম অসিনা সী পি আইনা হন্দক্কী হায়র এদ্যুকেসনগী থৌওং অসি খুদক্তা থিংহৌনবা দিমান্দ তৌরি। ৱাফম অসি লৈঙাক পায়রিবা মখোয় খক্তনা হেক্তা য়ুনিলেটরেল ওইবা ৱারেপ লৌদুনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টপু তুংওইনরম্বা অসি শুকয়া য়ারোই। মীরৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটি কয়াগী মশা-মরেং হাংহনবা য়ানবা চত্থরক্লিবা থৌওং অসি ইন্দিয়াগী অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসনবু মপুং ফানা কম্মর্সিএলাইজেসন তৌখ্রবনি। হায়বদি এদ্যুকেসন হায়বসি শেন্দালফম ওন্থোকখ্রগনি। হায়র ষ্টদি তৌজনিংবা হৌরক্লিবা মীরোল কয়াদা চাউরবা শেনফম কয়া দিমান্দ তৌরগনি। য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টতা পীবা ৱাফম অমদা ইন্দিয়াগী মহৈ তমখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা লৈঙাক্কী ফন্দ পীথরিবা য়ুনিভর্সিটিদা তমগনি খক্তমক খনবা ৱাখল থাদোক্কদবনি হায়বদুনা হন্দক তৌথোরক্লিবা অসিনা তাক্লে।

থবক অমা তৌথোক্লকপদা মীয়াম খঙবা য়ারোই, মখোয় খক্তনা তৌগনি, মখোয় খক্তনা তৌবদা য়াগদবনি হায়বসি ইন্দিয়াগী চৎন-পথাপ নত্তে। ইন্দিয়া চাউখৎক্লিবসি পব্লিক সেক্তরননি হায়বসি হন্দক্কী আর এস এস/বি জে পি কম্বাইন্দ গভর্ণমেন্ট অসিনা খঙদবগুম তৌরে। ইন্দিয়াগী লৈঙাকশিং লিশাং শিংনা থাদরক্লিবা শেনফমশিং জি দি পিগী চাদা ৩ খক্তনি। মালেমগী শীংথানরিবা স্বিদেন অমদি চাইনানচিংবা লৈবাক্তা এদ্যুকেসনদা চাদা ১৩গী মথক্তা শেল থাদে। ইন্দিয়াগী ওইনা চাদা ৬ জি দি পি থাগদবনি হায়বসি সী পি আই অমদি ইন্দিয়াগী ইন্টলেকচ্যুএল পুন্নমক্না হায়রিবা অমদি তকশিল্লিবা ৱাফমনি। অদুবু মদু লিশাং শিংনা তুংওইনদুনা থম্লক্লি। হন্দক্কী য়ু জি সী অমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী থৌওং অসিদি এদ্যুকেসনদা চাদা ২ ফাওবা য়ৌদনা থাদরগে। এদ্যুকেসনবু মপুং ফানা প্রাইভেটাইজ অমদি কম্মর্সিএলাইজ তৌগে হায়বনি। নৌনা লেফ্টিষ্ট কন্ট্রি ওইরক্লিবা ব্রাজিল ফাওবনা এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থতা মপুং ফানা ফ্রী ওইনবা হোৎনরক্লি। অদুগা ইন্দিয়াদনা করিগী নাথৈগদৌরিবনো হায়রি।

হন্দক্কী ৱারেপ অসিনা পোলিসী ওফ রিজার্ভেসন অমসুং সোসল জষ্টিসকী চৎন-লোনচৎ খূদিংমক থুগায়রগনি। মদু খিৎ-খরাক্কী নত্তে, য়াম্না চাউনা সোসল জষ্টিস লৈরক্লোই। রিজার্ভেসন চৎন-কাঙলোন মপুং ফানা মাঙহল্লক্লগনি। শোথরবা মীয়ামগীদমক করিগুম্বা চাউখৎচনবা হায়বদু ঙম্লরোই। তশেংনা হায়রবদা থৌওং অসি এন্টি ফেদরেল পোলিসী অমা ওইরে অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংবু নাথৈরগা সেন্টরনা তৌনিং-তৌনিংবতা তৌবা য়াহল্লক্লগনি অমসুং মীরৈবাক্কী খুৎ চাউনা চঙলক্লগনি। মরম অদুনা সী পি আইনা ইন্দিয়াগী মহৈরোয়শিং অমসুং মহৈরোয় শেন্নক্কদৌরিবা পব্লিক সেক্তরদা শেমগৎচরকপা অৱাংবা থাক্কী ওজা কম্যুনিটি পুন্নমক্না খোঙজংগীদমক শেম-শারগনি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী চত্থরক্লিবা থৌওং অসিনা ঙরাং শঙ্গাখ্রবা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা, মেদিকেল কোলেজ শিংদা, রেসিদেন্টেল স্কুলশিংদা অকায়বা পীরক্কনি। পব্লিক সেক্তরগী ফন্দিং হায়বসি গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্টকী চাদা ৬ কায়থোক্লবদতা এদ্যুকেসন চাউখৎলক্কনি। চাদা ৩ খক কায়থোক্লগা শোথরবা মীয়ামদা এদ্যুকেসন পীগনি, ইন্দিয়াগী মীয়াম চাউখৎপা পুরক্কনি হায়বদু শুকয়া য়ারোই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ৩লকশুবা উঙমলেন দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
সেভ উঙমলেন হায়বগী থীমদা উঙমলেন লেক প্রোটেক্সন কম্মিটি ইথাই ৱাপোকপীনা শীন্দুনা অহুম্লকশুবা উঙমলেন দে সেলেব্রেসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ইথাই ৱাপোকপী ময়াই গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এম অস্নিকুমারনা চীফ গেষ্ট অমদি কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এস প্রেমচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা এক্স-এম এল এ, এস বিরা, ৱাঙু জি পিগী প্রধান এ কেশোরজিৎ, ৱাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধান পি বালেশ্বর, বোরা য়াংবী জি পিগী প্রধান টি ঐচ রোমেশ, এক্সত্রা এজ স্কুলগী কো-ফাউন্দর ৱাংখেম সোভা অমসুং উঙমলেন লেক প্রোটেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট তোম্বা সোইবমনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম অস্নিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, উঙমলেন পাৎ অসি মণিপুরগী সিভিলাইজেসন অমসুং কলচরগী হৌরকফমগী শরুক অমনি হায়বদা লাল্লোই হায়খি।

## মনিফাগীদমক জন্যুৱারী ৩১ ফাওবা থাজিল্লকপা য়াগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
১১শুবা মনিফাগীদমক চৎলিবা থা অসিগী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবদা মণিপুরী ফিল্মশিং, ট্রাইবেল দাইলেক এফ এফ এমনা প্রিভ্যু তৌরবা অমদি সী বি এফ সীনা সেন্সর তৌরবা ফিল্মশিং থাজিল্লকপা য়াগনি। ফেব্রুৱারী ২৮দনা নোমিনীগী লাউথোক্কনি। অদুগা ১১শুবা মনিফা ২০২৩গী থৌরমনা চহীসিগী লাক্লিবা মার্চ ২৫দা পাঙথোক্কনি হায়না ১১শুবা মনিফা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন ৱাই নিলচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলগী সুপর মার্কেটতা লৈবা ফিল্ম ফোরমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা চ্যেরমন ৱাই নিলচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ১১শুবা মনিফা ২০২৩দা শরুক য়াগদৌরিবা ফিল্মশিংগী এন্ট্রি ফিনা লুপা লিশিং ৫ ওইগনি। অদুগা মণিপুরী ট্রাইবেল দাইলেক ফিল্মগীনা এন্ট্রি ফিনা লুপা লিশিং ৩ ওইগনি হায়রি।

১১শুবা মনিফা ২০২৩ অসিগী মনুং চন্না বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর মেল অমদি ফিমেল; বেষ্ট মেকঅপ; বেষ্ট কষ্ট্যুম; বেষ্ট লিরিক্স; বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর মেল অমদি ফিমেল; বেষ্ট কোরিওগ্রাফি; বেষ্ট ওদিওগ্রাফি; বেষ্ট বেকগ্রাউন্দ স্কোর; বেষ্ট আর্ট দিরেক্টর; বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্ট; বেষ্ট এক্টর ইন নেগেটিভ রোল; বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফি; বেষ্ট স্ক্রিন প্লে; বেষ্ট ইদিটিং; বেষ্ট ষ্টোরি; বেষ্ট দিরেক্সন; বেষ্ট এক্টর ইন লিদিং রোল মেল অমদি ফিমেল; বেষ্ট ফিল্ম ওন ট্রাইবেল লাইলেক ওফ মণিপুর; বেষ্ট মণিপুরী ফিচর ফিল্ম; মাইপাক সনাহল মণিপুরী জগোয় ঈশৈ লাইফ টাইম মনা; নেতা ইরাবত লীলারোয় লাইফ টাইম মনা (মণিপুরী সিনেমা) অমদি নেতা ইরাবত লীলারোয় লাইফ টাইম মনা (শুমাং লীলা) হায়বনচিংবা এৱার্দশিং লান্থোক্কনি। থৌরম অসি থৌনা মণিপুর অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগা পুন্না পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

## উকলগা লোয়ননা ত্রিপুরাগী লাইফম ৩দা লাই হরাওগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
মৈতৈশিংগী পুন্সি মহিং, নাৎ-চৎনবীগী ময়োল ওইরিবা উমংলাই হরাওবগী থৌরম লমদম অসিদা নত্তনা মণিপুরগী মপান্দা মৈতৈশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদসু হেন্না হেন্না পাক শন্না পাঙথোক্লরক্লি। ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদগী ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগী মফমদদি লাই হরাওবা হায়বসি শুপ্পগী ৱারী খক্তং ওইনা লৈরম্মী। অদুবু উকলনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা অগরতালাগী অবোইনগরদা লৈবা ইপুথৌ পুথিবা অসি লেপ্পুনা হরাওরকপদগী ঙসিদি ত্রিপুরাদা লাই হরাওবা অসি পাক শন্না খঙনরকপগা লোয়ননা মৈতৈনা খুন্দাবা ত্রিপুরাগী খুল কয়াদা লাই হরাওনবা হোৎনরক্লে হায়না উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি টি ঐচ রতনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অবোইনগরগী ইপুথৌ পুথিবা, মোৎচুম্মিগী ইপুথৌ পাখংবা অমসুং কমলপুরগী নোংপোক পান্থোইবীনচিংবশিং উকলগা লোয়ননা হন্দক চহী অসিদা হরাওগদৌরি। মসিগীদমক উকলনা লুচিংবা অমাইবা, পেনা অশৈবা অমসুং অমাইবী পুন্না মীওই ৫২না শাবা টিম অমনা থা অসিগী লাক্লিবা জন্যুৱারী ৯, নিংথৌকাবা নুমীৎতগী ত্রিপুরাগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। খোঙবু অসিনা শুপ্পগী লাই হরাওবগী থৌরম খক পাঙথোকপদা নত্তনা ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগী পুন্সি মহিং, শেন্মীৎলোন, নাৎ-চৎনবী, মহৈ-মশিন তম্বা অমসুং মৈতৈগী শক্তম ঙাক্লা হিংবগী মতাংদা পাক শন্না নৈনদুনা ফগৎনবা মৈতৈ খুল কয়াদা কোয়না চৎকনি হায়রি।

মৈতৈশিংনা ফুরুপকী শক্তম ঙাক্লা হিংনবা হোৎনবদা লাই হরাওবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মরুওইরি। মতম অমদা ত্রিপুরাদা লাই হরাওবগী হৌরকপদা মফমদুগী মৈতৈশিংনা শারি, পায়জমা শেৎতুনা শরুক য়ারম্বা অদু ঙসিদি লাই হরাওগনি তাবগা নাৎকী অমদি চৎনবীগী ওইনা ফিজেৎ-লৈতেং, হৈকৎ-লৈকৎ, জগোয়-ঈশৈনচিংবা থিনরক্লি। হান্না মণিপুরদগী লাই হরাওবদা উৎনবা জগোয়গী টিম পুদুনা চৎনরম্বা অদু তোল্লগা ত্রিপুরাদা লৈরিবা মৈতৈশিংবু জগোয় মখল মখা কয়া তম্বীদুনা লাই হরাওবদা উৎনবা হেৎনদুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থা হৌগৎলকপদা উকলনা জগোয়গী ওজা অনী থাজিন্দুনা নুপা-নুপী, মৌ, লৈশাবী অমদি অঙাং কয়া জগোয় তম্বীরি। পুন্নমক অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মপান্দা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা মশাগী নাৎ, চৎনবী অমসুং ফুরুপকী শক্তম ঙাক্তুনা হিংহন্নবা হোৎনবনি হায়খি।

## মালেমদা মমিং চৎলবা নুপী খক্তগী ওইবা কৈথেল ঙসিদি মমি শাম্লক্লে : নির্মলা

ইম্ফাল,জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এনএস) :
মালেমদা মমিং চৎলবা নুপী খক্তগী ওইবা কৈথেল অসি ঙসিদি মমি শামথরক্লে। মরমদি শাংলবা মতমদগী হৌনা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেলদা লুকমাই পাল্লিবীশিংগী অপূনবা দেমোক্রেটিক ওইনা কৈথেল ফল্লিবীশিংনা মশানা শেমজবা য়ুম্ফম নৎত্রগা প্লেটফোর্ম ঙসি ফাওবা লৈত্রি। কৈথেল মনুংগী ওইবা, কৈথেল নুপীশিংগী অপূনবা অয়াবগা লোয়ননা খনখিবা মীহুৎসু লৈতে হায়না ৱার্কিং কম্মিটি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী কো-কনভিনর অশেম নির্মলানা ফোঙদোকখ্রে।

আরিয়ন ঠিএটরগী হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মাগী মাগী অপাম্বা মীচঙ খোম্নবা অমদি পোলিটিসাইজ তৌদুনা মাগী মাগীগ্রুপ শাগৎনবগী থৌওং কয়াদগী পুৱারীনা শেন্নকপা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়রি অমদি কায়রক্লি। মশানা মশাবু লুচিংবনি খঞ্জবা মীওই খরনা লুচিংবা শাদুনা নম্ফুদা কৈথেল পায়শিন্দুনা লাক্লি। মীওই খরা অসিনা মশা-মশাগী খন্দুনা মখোয়না অপাম-অপাম্বা, অনিং-অনিংবদা তৌদুনা কৈথেলগী শক্তম কায়গদবা থৌওং কয়া লেপ্পুনা চত্থরক্লি।

খুদম ওইনা কৈথেলদা দুকান শাজিন্দুনা দুকান শঙ ওন্থোক্লবা হোৎনরকপা; কৈথেল শঙ মনুংদা লাইসেন্স য়াওদবা মীওই কয়া নুপা য়াওনা ফল্লকপা; কৈথেলগী অকোয়বদা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা লম্বী অমদি দুকান কয়া ফমজিল্লগা পোৎ য়োনবা, মীতোপ-মীয়ান কয়ানা কোয়শিলহল্লকপা; মসিদা নত্তনা কৈথেল মনুংদা য়োল্লিবা পোৎলম কয়া মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা শিংনদুনা ফোংনা অকোয়বদা দুকানশিংদা য়োনশিল্লক্তুনা হিংনবগী লম্বী মাঙশিল্লক্লবা হায়বদু ওইরে।

নীংশিংবা য়াবদি ময়োল ওইরিবা ইম্ফাল অসিদা মীতোপশিংনা ঙসি ফাওবা চঙবা ঙমদবা, লমদমসিগী নুপীশিংতনা কন্দুনা লাক্লিবা মফম হায়বা তারবদি নুপী কৈথেল অসি খক্তা ঙাইরবনি। মরমশিং অসিনা লীচিং ওইদুনা ঙসিদি ইমা কয়াগী থৌনানা ঙাক্তুনা থম্লক্লিবা, নুপীলালগী হৌফম ওইরিবা, কৈথেল লাইরেম্বীনা ঙাক্তুনা থম্লিবা শেংলবা মফম অসি কৈদৌনুংদা মাঙহনবা য়ারোই। কৈথেলগী শক্তম মতম চুপ্পদা কনগনি হায়বা ৱাখলনা পান্দম লাক্তুনা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল অহুমগী নুপীশিংগী মীহুৎশিং থোরকপনি। কৈথেল অসি কন্ননবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ‘অঙকপা ফীভমদা লৈরম্বা থেংনরে’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অমাকচম প্রাইমারী স্কুলদা পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও) মণিপুরনা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা অঙকপা ফীভম অমদা লৈরম্বা থেংনরক্লে হায়না পি এস ও মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পুখ্রিময়ুম সরিফনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লাস নর্সরিদগী ক্লাস ফোর ফাওবা লৈবা মহৈরোয় ৮৭না মহৈ তম্লিবা স্কুল অসিদা শুপ্পগী ওজা ৩না তাকপী তম্বীরি। হেন্না ঙক্লিবদি স্কুল অসি শুপ্পতগী ক্লাসরুম অনীখক লৈ। ক্লাসরুম মশীং শুনা লৈতবা স্কুল অসিদা করম্না মহৈরোয়শিংনা মহৈ তমদুনা অফবা মহৈরোয় ওইরকপা ঙমগদৌরিবনি। ঙসিগী লৈঙাক্লা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্কনি হায়দুনা মিসন কয়া চঙশিল্লবসু অসিগুম্বা অমাকচম প্রাইমারী স্কুলদদি করি অমত্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙবীদবদগী মমি তারি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা স্কুল অসি শেমগৎ শাগৎপীয়ু হায়রি।

## নিপকোনা ৱাটর টেঙ্কশিং খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো)না চাকন গান-ঙাইগী থৌরমদা লংথবাল চীংথক কবুই খুল অমসুং হিয়াংথাং কবুই খুলদা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎনা লুচিংবা টিম অমা চৎতুনা লূপ অসিগী মায়কৈদগী ঙমজবা ওইনা ঈশিং লিটর ৫০০ চনবা ৱাটর টেঙ্ক অমমম খুদোল তমখ্রে হায়না নিপকোগী সেক্রেটরি জেনরেল সিরাজ নোংয়াইময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, গান-ঙাইগী কুম্মৈ অসিনা লাকপদা জেলিয়াংরোং ফুরুপকী মনুংদা লৈরিবা কবুইশিংগী চাউখৎপা, নুংঙাইবা, তংদু-লৈতাবা অমসুং ইরৈবাক নুংশিবা ফুরুপ অমা ওইরসনু। কবুইশিংগী লৌরোক পান্থা লোইরক্লবা মতুংদা পাঙথোক্লিবা গান-ঙাইগী কুম্মৈ অসিনা কবুইশিংগী লাইনিং লাইশোল অমদি চৎন-লোনচৎকী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক মরুওইবা অমনি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা কবুই ফুরুপনা অচৌবা থৌদাং লৌরকপা ঙম্বা অমদি হেন্না চাউখৎপা ফুরুপ অমা ওইরক্লগনি হায়বা খঙই। কবুইশিংগী গান-ঙাই কুম্মৈদা মতম-মতমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শরুক য়াখিগনি হায়রি।

## তোপ সিফাইদা অহলশিংদা নীংথম খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
নুংথেল লৈমা নুপী লূপ তোপ সিফাই মখা লৈকায় ৱাঙ্গোই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিনা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গা খুৎশম্নরগা মরিরকশুবা নীংথম খুদোলগী থৌরম অমা তোপ সিফাইগী নুংথেল লৈমা মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না নুংথেল লৈমা নুপী লূপকী সেক্রেটরি থিঙুজম কমলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নীংথম খুদোল তম্বগী থৌরম অদু খুল অসিগী অহলশিংদা নীংথম থাগী অথবা ফি খুদোল তমদুনা মচা-মশু ওইরিবশিংনা অহলশিংবু নুংশিবা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, লূপ অসিগী এদভাইজর ৱাইরোকপম গোনেন্দ্রো, নুংথেল লৈমা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট এল খোমদোনবী অমদি থোংখোং লক্ষ্মী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর টুগী হান্নগী কাউন্সীল্লর এম দি রোসন আলিনা ময়াই তাংবলদা লেংশিনখি।

নীংথম খুদোল তম্বগী থৌরম অদুদা অহল ওইরবা-ওইরবী মীওই ৩৬ অমদি ফিজিকেল চেলেঞ্জ ওইরবা মীওই ২ পুন্না মীওই ৩৮দা নীংথম থাগী ফি ব্লাঙ্কেট খুদোল তমখি। থৌরম মফমদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, এস বসন্তসু লাক্তুনা থৌরম শীল্লিবশিংদা শেলগী মতেং পাংবীদুনা পূক্নিং থৌগৎলমখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অমা চাউখৎপা হায়বসিদা নহাশিংনা অহলশিংবু মতম পুম্বদা নুংশিবা, অহলশিংগী অৱাৎ-অপা য়েংশিনবীবা, অহলশিংগী পাউতাক লৌবা অমদি অহলশিংবু ঈকায় খুম্নবা মথৌ তাই। ওল্লিঙৈ মতমদগী অহলশিংগী পাউতাক লৌদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ট্রাইয়েল ওইনা দ্রোন শীজিন্নদুনা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট মায় পাক্লা কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল,জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এনএস) :
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কুম্বী মাইরোম্বী লৌকোলদা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ট্রাইয়েল ওইনা দ্রোন শীজিন্নদুনা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট মায় পাক্লা কাপথোকখ্রে।

লৌ লোকপা লোইরবা অহাংবা লৌবুকশিং মতম-মতমগী ওইবা পোৎলমশিং থাদুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা ইরমদম অমা ওইনবগী চত্থরকপা খোঙথাংগী মনুং চন্না লৌ হেক্তর ২০ রোম লৈবা লৌকোল অসিদা কুম্বী কাংশোইবী খোংবাল মাইরোম্বী লৌকোল অপূনবা লৌমী লূপনা কে ভি কে বিষ্ণুপুরগা খুৎশম্নরগা দ্রোন শীজিন্নদুনা ট্রাইয়েল ওইনা লৌ হেক্তর ১ খক্তা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট কাপথোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যেরনা য়ুজ ওফ দ্রোন ইন এগ্রিকলচর স্কিমগী মখাদা আই সী এ আরগী খুত্থাংদা কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা পীরকপা দ্রোননা কুম্বী মাইরোম্বী লৌকোলদা অহানবা ট্রাইয়েল ওইনা লৌমীশিংনা লৌ লোকপা লোইরগা হঙ্গাম থারিবা লৌফমশিং অদুদা হেন্না চাথোক লৈনবা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট কাপথোকখিবা অদুদা কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেদসু ওইরিবা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. কে ঐচ ব্রজমনি অমদি কন্সর্ন ওফিসরসু ওইরিবা সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট (এগ্রোনোমি) ডা. এস শকহেননা লুচিংদুনা শরুক য়াখি।




অহানবা ট্রাইয়েল ওইনা দ্রোন শীজিন্নদুনা কুম্বী মাইরোম্বী লৌকোলগী হঙ্গাম থারিবা লৌফমশিংদা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট কাপথোকখিবা অদুদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী ভাইস চ্যেরপার্সন ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ইরমদম কুম্বীগী মাইরোম্বী লৌকোলদা অহানবা ওইনা ট্রাইয়েল মায় পাক্লা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট কাপথোকপা লাকখিবা কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেদসু ওইরিবা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. কে ঐচ ব্রজমনি অমসুং কন্সর্ন ওফিসর সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট (এগ্রোনোমি) ডা. এস শকহেননা লুচিংবা ওফিসলশিংসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। দ্রোন শীজিন্নদুনা নেনো য়ুরিয়া লিক্যুইট কাপথোকখিবা অদুদা দ্রোনগী পাইলোটনা কে ঐচ মাইপাক এস এম এস (প্লান্ট প্রোটেক্সন)না ওইখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী ভাইস চ্যেরপর্সন ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি কুম্বী মাইরোম্বী লৌকোলগী লৌফম খরদা থাবা হঙ্গাম মরু হুল্লিবা অসিদা হেন্না চাথোক লৈনবগী পান্দমদা দ্রোন শীজিন্নদুনা অতেনবা মতমদা পাক শন্না য়ুরিয়া লিক্যুইট কাপথোক্লবগী চাংয়েং অসি তৌখিবনি। মায় পাক্লা পাঙথোক্লবনিনা মখা তারকপা লৌউ-শিংউবগী হীরম কয়াদা দ্রোন শীজিন্নদুনা য়াম্না অরায়বা মওংদা মতমগা চুনবা মওংদা লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরম পায়খৎনবা হোৎনরগনি হায়খি।

## হৈরোক এ সীদা মহৈ-মশিনগী লমদা অচৌবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস) :
হৈরোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফীভম ফগৎহনবগা লোয়ননা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না এ সী অসিগী এম এল ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এম এল এ রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা হৈরোক এ সীদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ওজাশিং, এস এম দি সীগী মীহুৎশিংগী ওইবা অচৌবা অপূনবা মীফম অমা লোইরবা মতুং এম এল এ ফোঙদোকখিবনি।

হৈরোক এ সীদা এদ্যুকেসন সেক্তরদা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্লবা পান্দমদা এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা অখন্নবা শেম্বা হৈরোক এ সী মহৈ হৈহল্লসি, হৈরোক এ সী লাইরিক তমহল্লসিগী মীহুৎশিংসু খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৈরোক এ সী অসি লায়রবা, নোংমগী শুরগা চাজবা ইমুংশিংনা মশীং হেল্লি। অসিগুম্বা ইমুংশিংগী পীক্লিবা মহৈরোয় কয়ানা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা অৱাৎ-অপা ময়াম অমা লৈরবসু উপায় লৈতবদগী মহৈ তম্লি। লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিং হৌজিক অয়াম্বনা মহৈরোয় মশীং য়াম্না লৈরবসু ওজা ৱাৎপগী অৱাবদি মায়োক্লরি। মসিগী মথক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবগী অৱাবসু লৈরি। মসি পুন্নমক অসি লৈনা লৈনা হৈরোক এ সীগী লায়রবা ইমুং কয়াগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তমজনিংবা অদুনা মাঙওইনরগা মহৈ তম্নরি। এ সী অসিগী লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিং অসিগী খল্লগা মীফম অদুদা ওজাশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী অৱাৎ-অপা লৈতনবা পুন্না ৱারেপ লৌখি।

মসিগীদমক ওজাশিং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়খি, স্কুলশিংগী পেরেন্ট কম্মিটিগী মীহুৎশিং, হৈরোক অগ্নিপথ ট্রেনিং সেন্টরগী ওজাশিং, পেন্সন চৎলবা ওজাশিং, লন্নাই স্কুলদা ওজা ওইরিবা নহা ওজাশিংনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নদুনা হন্দক্কী লাক্লিবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামিনেসনদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীরগনি। হৈরোক এ সী এদ্যুকেসনদা মাঙজিল থাবা মফম অমা ওইনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনসি হায়নসু আপীল তৌখি।